SONY SPL. PRICE
X9300C WORLD SLIMMEST 4K TV
4.9MM SLIM
SONY 55" X9300C
₹2,54,900/- = ₹2,49,900/-
PICTURE QUALITY
X-REALITY PRO | 3D
TRILUMINOS | 1200 XR MOTIONFLOW
SONY'S ANDROID TV
VOICE SEARCH | GOOGLE CAST
GOOGLE PLAY | GAMES GOOGLE PLAY
SOUND QUALITY
DUAL ACOUSTIC DUCT SUBWOOFER | CLEAR AUDIO+
SONY HOUSE. PAONA BZ. IMP.
SARAJEEVAN ENTERPRISES. PAONA BZ. IMP.

চহী চুপ্পা লেপ্তনা নুংতিগী ফোঙবা অহানবা মণিপুরী পাউচে

# সনালৈবাক

www.sanaleibak.in

AQUAGUARD FREE
LED 40HH = ₹ 28500/-
LED 32" (3 YRS) = ₹ 18000
3 YRS WARRANTY
20" HD READY TV = ₹ 8600
22" FULL HD TV = ₹ 10600
24" FULL HD TV = ₹ 12000
24" LED + AQUAGUARD = ₹ 13999
32" LED + AQUAGUARD = ₹ 20500
98CM + AQUAGUARD = ₹ 29999
WASHING MACHINE SPL DISCOUNT
6KG ₹ 8200 = ₹ 7700
7.2KG H13 ₹ 9990 = ₹ 8700
7.2KG H12 ₹ 10590 = ₹ 9200
7.5KG ₹ 11990 = ₹ 10200
150LT REFRIG: = ₹ 8700
170LT REFRIG: = ₹ 9800
190LT REFRIG: = ₹ 10500
VIDEOCON HOUSE. PAONA BAZAR. IMP.




আই এল পি খোঙজংবু শৌগৎনুনা মণিপুর পিপলস পার্টি ( এম পি পি) য়ুথ ফ্রন্ট অমদি চনুরা মরুপনা শিন্দুনা চংখিবা শান্তিগী খোঙচৎ (ওই)



## জে সি আই এল পি এসকী খোঙজং



ঙসিগী অঈং-অশা: শাবগী চাং ঃ ৩৫° ঈংবগী চাং ঃ ১৫° | নুংশিৎতা য়াওবা ঈশিং মনিলগী চাং চাদা ঃ ৫৫ | নোংজুগী চাং : ২২ এম এম
IMPHAL,TUESDAY, 31 MAY , 2016
লৈবাকপোকপা কালেনগী ২৫ নি পানবা
e-mail: sanaleibakdaily@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com
RNI Regd. No. 31350/77 | Volum No: 41 Issue: 181 Page : 8 | Price: ` 3.60

## ৱাখলগী চিঙ্গাক

নহাক্না অৱাবা খুদোংথীবা মায়োক্নদ্রবদি মদু কোকহন্নবা উপায়সু লৈরোই

## অহানবা কাখল

### নোংমৈ কাপ্নখ্রে

ইম্ফাল,মে ৩০ ঃ ঙসি নুংথীল পুং ১.২০ রোম তাবা মতমদা বোর্দর তাউন্দ ওইরিবা মোরে পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা তেংনৌপল পি এসকা তাইনবা লাইসোল তেংনৌপল মখা লমায় ৬তা

গ্যাসকী পাউ লা: ৩ দা

## লোইরেদনা

হৈমা ইনাও, নুংথীলসিদা কেথরগা চংলিদুবু কন্দাইদনো ইরাং য়াম্না কল্লি হায়বনিকো



ইচে, ইরাংদুনে চংলিসে, য়াওবা ঙমজদ্রবসু থোকঅগা হেত্তা য়েংথরুরগেনা চংলিনে। লাকওদনা নঙসু

# জুন ২ ফাওবা স্কুল কলেজশিং ছুটি থাদোকখ্রে পোলিতিকেল পার্টি দেলিগেটশিং জুন ৩দা দিল্লি চংলগনি

এস এন এস

ইম্ফাল, মে ৩০ ঃ মণিপুর বিধান সভানা পাস তৌখিবা বিল অহুমগী হৌজিক লৈরিবা ষ্টেটস খঙদোক্নবা অমসুং বিল অহুম অসি এক্ট ওন্থোক্নবা তকশিল্লুনবগীদমক চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবিনা লুচিংবা পোলিতিকেল পার্টিশিংগী মীহুৎ কাঙবু অমা জুন ৩দা দিল্লিদা চৎনবা লেপ্লখ্রে। জুন ২ ফাওবনা মণিপুরদা লৈরিবা স্কুল কলেজশিং লোয়নমক ছুটি থাদোকখ্রে।

প্রেসনা ফংবা পাউগী মতুংইন্না ঙসি নুংথিল পুং ৫ খরা হেল্লকপদা চীফ মিনষ্টর সেক্রেটরিয়েৎতা পাঙথোকখিবা কাউন্সিল ওফ মিনিষ্টরশিংগী মীফম্না ফিরেপ অসি লৌখিবনি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়, চীফ মিনিষ্টর ও ইবোবিনা ময়ায় তাংবল লৌদুনা চথখিবা মীফম অদুনা হৌজিক জে সি আই এল পি এসকী লমজিং মখাদা লমদম অসিদা চংশিল্লক্লিবা মীয়ামগী খোঙজং অসিগী মতাংদা হকচিন্না লৌদুনা কুপ্না খন্নখি।

নোংমা কাঙদনা চংশিলক্লিবা মীয়ামগী খোঙজং অসিনা মরম ওইরগা মীয়ামগী পুন্সিদা অপনবা থোক্লকপা অমসুং ইশু অসিগী মতাংদা মীয়ামগী ইহৌ হেন্না কনশিল্লকপা কুপ্না মীফম অদুদা পুথোক্তুনা নৈনখি।

মীফ অদুদা কুপ্না নৈন্নরবা মতুংদা হৌখিবা মে ৯ দা লৌখিবা পোলিতিকেল পার্টিশিংগী মীফম্না লৌখিবা ৱারেপকী মতুংইন্না চীফ মিনিষ্টরনা লুচিংবা মীহুৎ কাঙবু অমা দিল্লিদা চংনবগী মতম লেপখ্রে।

মীফম অদুদা পোলিতিকেল পার্টিশিংগী মহুৎ কাঙবু অদু জুন ৩দা দিল্লিগীদমক ইম্ফাল থাদোক্নবা মতম লেপখি। লোয়ননা মসিগা মরি লৈনবা চেরোলশিং পোলিতিকেল পার্টিশিংগী লুচিংবশিংদা ফংহনখ্রে।

মীফম অদুদা হৌজিক আই এল পিগী দিমান্দ অসিগা মরি লৈননা চংশিল্লকপা খোঙজংদা মহৈরোইশিং য়াওশিল্লকপা অসি য়েংলগা হয়েংদগী জুন ২ ফাওবা মহৈলোয়শঙশিং ছুটি লাওথোক্নবা ফিরেপ অসি লৌখিবনি।

দি প্রোটেক্সন ওফ মিনিপুর পিপলস বিল, ২০১৫, মণিপুর লেন্দ রিফোর্মস এন্দ লেন্দ রেভিন্যু ( সেভেন্ট এমেন্দমেন্ট) বিল ২০১৫ অমসুং দি মণিপুর সোপস এন্দ ইষ্টাব্লিষ্টমেন্ট (সেকেন্দ এমেন্দমেন্ট)বিল, ২০১৫ অহুম অসি হৌখিবা চহিগী আগষ্ট ৩১দা মণিপুর বিধান সভাদা পুথোক্তুনা খন্নরবা মতুংদা মতম অমত্তা ওইনা সভানা পাস তৌরবা মতুংদা গভর্নরদা এসেন্ট লৌনবা থাখিবনি। অদুবু বিল অহুম অদু গভর্নরনা এসেন্ট পীবা ঙমদবদগী ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্টকী এসেন্ট লৌনবা থাখিবনি।

অদুবু বিল অহুম অসিগী লৈরিবা ফিভম অসি চপ চানা খঙহন্দবনা মরম ওইরগা মীয়ামগী ইহৌ লাকপনি। মীয়ামগী ইহৌ অসি হেন্না কনশিল্লকপদগী ঙসি অথুবা ওইনা মীফম অদু কৌদুনা ফিভম অসি রিভিয়ু তৌখিবনি হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

# ঙসিদগী মৈরা পায়বী লুপশিংসু খোঙজং য়াওশিল্লগনি

এস এন এস

ইম্ফাল, মে ৩০ ঃ মণিপুরদা ইন্নর লাইন পার্মিট সিষ্টেম চংনহন্নবা হৌজিক জে সি আই এল পি এসকী লমজিং মখাদা চাংশিল্লিবা মীয়ামগী খোঙজং অসিদা লমদম অসিগী তোঙান তোঙানবা নুপী লুপশিংসু হয়েংদগী য়াওশিল্লগনি হায়না লাওথোকখিবগা লোয়ননা মখল মখা কয়াগী খোঙজংশিং হান্না লাওথোকপা তৌদনা চংশিনবা হৌরগনি হায়না লাওথোকখ্রে।

ঙসি জে সি আই এল পি এসকী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা পোইরৈ লৈমরোল মৈরা পায়বী অপুনবা মণিপুরগী প্রসিদেন্ট লোংজম মেমচৌবীনা হায়, মীয়াম্না হৌজিক চংশিল্লিবা খোঙজং অসিদা গভর্নমেন্টতা তাশিন্নদনা লৈবা, প্রাইম মিনিষ্টর উন্নগনি হায়দুনা মতম থারগা চত্তুনা ভোটতা ঙাওদুনা লৈরি।

মীয়াম্না চংশিল্লিবা য়েলহৌমী কনবগী ইহৌ অসি মখোয়গীসু য়াওরিবনি হায়বসি এম এল এ ৬০না খঙদ্রে। মখোয়না পাস তৌখিবা বিল অহুম অদু এক্ট ওলহন্নবা তকশিনফম থোকপা অদু হৌজিকসু তকশিন্দনা লৈরি।

মীয়ামগী দাবি ফংদ্রিঙৈদা জুন ২দা পাঙথোক্ক দৌরিবা আই এম সিগী মীখল অসিদা মীতোপশিং ভোট থাদহল্লন্নবদি মদুদা থোক্লকপা থৌদোকশিংগী দায়ত্ব ইন্নর এজেন্টশিং অমসুং প্রিসাইদিং ওফিসারনা পুগদবনি হায়খি।

ওল মণিপুর ৱুমেন্স সোসিয়েল রিফোর্মেসন এন্দ দিবলপমেন্ট সমাজ (নুপী সমাজ)গী জেনরেল সেক্রেটরি টি ঐচ রমনিনা হায়, হৌখিবা চহি কয়া লিশাং শিংনা আই এল পি চংনহন্নবা লমদম অসিগী মীয়াম্না দাবী তৌদুনা লাক্লি।

অসুক শাংলবা মতম অসি গভর্নমেন্টনা য়েলহৌমী কন্নবগী খোঙথাং অমত্তা লৌখত্তনা লাক্লি। মীয়াম্না ইহৌ হৌনা হৌনা মখা লমায় ৬তা

# ইম্ফাল মনুংদা মহৈরোইশিংনা তোঙান তোঙানবা খোঙজং কয়া চঙশিনখ্রে, মহৈরোই কয়া অশোক অপন নংখ্রে



ইম্ফাল,মে ৩০ ঃ পাস তৌখিবা বীল এক্ট ওন্থোক্তুনা মণিপুরদা আই এল পি চৎনহল্লু, ফাজিনখিবা মহৈরোইশিং থাদোকউ হায়বা য়াওনা তোঙান তোঙানবা দিমান্দ কয়া তৌদুনা ঙসিসু মফম কয়াদা মহৈরোইশিংনা রেল্লি চংখ্রে। লম্বীদা হিপচন্দুনা অকনবা মওংদা খোংজঙ চংশিনখ্রে। খোংজঙলোইশিং তান-খায়নবা হোৎনবদা পুলিসনা টিয়ার গ্যাস অমদি স্মোক বোম কাপ্পদা মহৈরোই কয়া অশোক অপন নংখ্রে।

ইম্ফাল মোরে লম্বীগী কাঞ্চিপুরদা লৈবা ষ্টৈর্দর্দ রোবার্ট হায়ার সেকেন্দরি স্কুল, সিকা হায়ার সেকেন্দরি, ধনেশ্বরি হয়ার, ইম্ফাল পাব্লিক স্কুল ( আই পি এস) অমদি তেম্পল ওফ লার্নিং (তোল) স্কুলগী মশিং য়াম্লবা মহৈরোইশিংনা মাগী মাগী স্কুল মমাংদগী রেল্লি হৌরক্তুনা ককৱা তম্না লাকখি। মশিং য়াম্লবা মহৈরোইশিংগী খোংচৎ অদুদা মণিপুরদা আই এল পি চৎনহল্লু, ৱি ৱান্ট আই এল পি, ফাখিবা মহৈরোইশিং থাদোকউ, লোং লিভ হায়বনচিংবা খোলাও কয়া লাওখি।

খোঙচৎ অদু ককৱা বজার য়ৌরকপদা মশিং য়াম্লবা পুলিসশিংনা থত্তুনা মখাতানা চৎলহনখিদে। পুলিসকী অথিংবা অদুবু নমখায়দুনা মহৈরোইশিংনা চৎন্নবা হোৎনবদা নাকল অনিমত্তা উংখৎনবা থোরকপদগী পুলিসনা টিয়ার গ্যাস অমদি স্মোক বোম কাপ্তুনা তান-খায়বদা মখা লমায় ৬তা

# জুন ১দগী ৩ ফাওবা মণিপুর ১দি সেন্ট্রেল ওফিসশিংদা পাব্লিক কার্ফিয়ু লাওথোকখ্রে

এস এন এস

ইম্ফাল,মে ৩০ ঃ এশেমল্লীদা পাস তৌখিবা আই এল পিগী বীল ঙসি ফাওবা চৎনহন্নদনা লৈবগী ময়োক্তা জে সি আই এল পি এসনা লৈবাক মীয়ামগা লোয়ননা অকনবা খোংজঙ চংল্লিবসু সরকার অসিনা করিমত্তা থৌৱা শাদনা লৈরিবাসি মীয়াম্বু শিংনবনি। সরকারগী মথক্তা হেন্না কনবা খোংজঙ মথং থা জুন ১দগী ৩ ফাওবা চংশিল্লগনি হায়না লাওথোকখ্রে।

ঙসি নুমিদাং কৈশাম্পাট সেগা রোদতা লৈবা জে সি আই এল পি এসকী কনভন্নর খোমদ্রাম রতননা হায়, মনা কল্লবা সরকার অসিগী ময়োক্তা পারা তম্বীবা ওইনা হয়েং জুনগী তাং ১দগী ৩ফাওবা মণিপুর অমদি ভারত সরকারগী ওফিসশিংগী মথক্তা পাব্লিক কার্ফিয়ু থম্লে। কার্ফিয়ু মনুংদা কর্মাচারিশিংনা ওফিস কাবীগনু মীয়াম্নসু ওফিস লাকপশিং ওফিসতা চংহনবীগনু। করিগুম্বা অথিংবগী ময়োক্তা ওফিস কারম্লবদি মদুদা থোক্লক্পা দায়ত্য মশা মশানা পুজগদবনি।

কনভেন্নর রতননা মখাতানা ফোংদোকখিবদা জুন ২গী অয়ুক পুং ৪দগী নুমিদাং পুং ৬ ফাওবা থঙ্গাল অমসি কৈথেলগী মফমশিংদা পাব্লিক কার্ফিয়ু থম্লে। নুমিৎ অসিদা মীয়াম্না দুকানশিং থোং হাংবিগনু। অথিংবা মফমশিং অসিদা মীয়ম্না মপাল থোকপিগনু।

থা অসিগী হৌখিবা মে ২দা মীয়ামগী পিপলস কনভেনসননা লৌরম্বা ৱারেপনা মীতোপ মীয়ানচাশিং ভোট লেপ্পা অমদি থাদবা মখা লমায় ৬তা

